**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- পিকচরবসু মণিপুরনা মালেম থাক্কী শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙমলি।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি- জিলা থাক্কী ওলিম্পিক গেমস অতৈ জিলাশিংদসু পাঙথোকবা থৌরাং তৌরি।

৩) রিমস ইম্ফালগী এম.বি.বি.এসকী সিট মশিং হেনগৎপগা লোয়ননা মাষ্টর ওফ দেন্টেল সরজরি কোর্স হাংদোকপদা অয়াবা পীরকখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং নিউজিলেন্দগী নুমিৎ ৬ নিগী খোঙচৎ মায় পাকা লোইশিল্লবা তুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নিউ দিল্লিদা হল্লক্লে।

------

গেমস(এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- পিকচরবসু মণিপুরনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা জাতিগী অমদি মালেমগী থাক্তা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙমলি।

অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস লোইশিনবগী থৌরমদা ব্রা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- অসিগুম্বা জিলা থাক্কী গেমস অসি তুংগী অফবা শান্নরোই কয়া পুথোকবগী লম্বী অমা ওইরি। নৌরিবা শান্নরোইশিংগীদমক জিলাগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নবা অসিনা রাজ্য, জাতি অমদি মালেমগী থাক্তা অফবা শান্নরোই কয়া মশক তাকবগী য়ুম্ফম অমা ওইগদৌরিবনি। শান্নরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৬ তা অথোই অহেন তান্নবনা শান্ন-খোৎনবদা পীরিবা ঈথিলগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়- শান্ন-খোৎনবা হায়বসি থকশি খাশি, পুন্না মায় পাকপগী লম্বীদা চংশিন্নবা হোৎনবা অমসুং মায় পাকপা শান্নরোই অমা ওইনবা হোৎননিংবগী ইনোৎ হাপ্লি। লমদম অসিগী হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংবু মখোঙ শোম্বীদুনা মালেমগী থাক্তা মীংচৎ পুরকবা হোৎনমিন্নশি। শ্রী ভল্লানা হায়-

--সাউন্দ বাইট--ভল্লা

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়- জিলাগী থাক্তা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা অসিনা লমদম অসিদগী মালেমগী থাক্কী শান্নরোইশিং পুথোকপদা চাউনা মতেং ওইগনি। অসিগুম্বা জিলা থাক্কী গেমশিং অতৈ জিলাশিংদসু পাঙথোকবা থৌরাং লৈ। মসিনর লমদম অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোইশিংবু মশক খঙদোকপদা চাউনা মতেং পাংলি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-

--সাউন্দ বাইট--সিএম

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস-২০২৬ লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি। জগোই

অমদি পুং চোলোমচিংবা য়াওনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি অমদি গেমস অসিদা মকোক মথং তারবা শান্নরোইশিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি।

নিংথৌ (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কান্তো শাবলদা মীতৈগী য়ুম ৬ মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুবু হান্নগী রাজ্য সভাগী এম.পি- সনাজাউবা লৈশেম্বনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। ভারত লান্মীশিং লৈনা লৈনা নুংথিল পোবোপতা য়ুম মৈ থারম্বা হায়বসি অঙকপা অমদি ওইরি। ভারত লান্মীশিংগী মমাংদা হিংশাগী থৌদোকশিং চথবগী থৌওং অসি হন্দক থোক্লিবা অসিনা অহানবা নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লিবনি।

রিমস (এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী ওইনা অনা লায়েংগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা খোঙথাং অমদা একাদমি সেসন ২০২৬-২৭ তগী ইন্সটিট্যুট অসিদা এম.বি.বি.এসকী সিট মশিং হেনগৎপগা লোয়ননা মাষ্টর ওফ দেন্টেল সরজরি (এম.দি.এস)কী কোর্স হাংদোকপদা অয়াবা পীরকখ্রে।

একাদমিক সেসন অসিদগী হৌদুনা নেসনেল মেদিকেল কম্মিসন (এন.এম.সি) অমসুং নেসনেল দেন্টেল কম্মিসন (এন.দি.সি)না এম.বি.বি.এসকী সিট মশিং হান্না ১২৫ লৈরম্বদগী ১৫০ দা হেনগৎপগী অয়াবা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা নেসনেল দেন্টেল কম্মিসন্না রিমসকী দেন্টেল কলেজদা মাষ্টর ওফ দেন্টেল সরজরি তম্বগী অয়াবসু পীরকখিবনি। এম.দি.এস কোর্স অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা স্পেসিয়েলিতি ৬ লৈগনি। স্পেসিয়েলিতি খুদিংমক্তা সিট অহুম অহুম লৈগনি।

--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(শর্ম্মা + বাবিনা)

--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--

## ---সিগনেচর গোং---

কংগ্রেস (এল)ঃ  মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়রি- ভারতপু বৃটিশকী মখুৎতগী নীংখা তমবা হোৎনরকখিবা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংবু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা নৌনা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসতা য়াওরক্লবা সেকমাই বিধান সভা কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ- টি.ঐচ. দেবেন্দ্র য়াওনা পুন্না মীওই ১১ তরামা ওকপগী থৌরমদা শ্রী ইবোবীনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা অহেনবা মীৎয়েং চংবা তঙাইফদে। কংগ্রেসনা লৈবাক অসিগীদমক য়াইফনবা হোৎনরম্বা কয়া অদু কাউথোকপগুম তৌরি। মসিমক য়ামা লাইবক থিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.পি. বিমোলনা হায়- ইং ২০২৭ তা পাঙথোক্কদবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল অসি মণিপুরগী ওইনা মরাইবক লেপকদবা মীখলনি। ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চৈথারোল কুম্বাবাদা ইরম্বা ৱারীশিংবুলশিং নিংশিংবা মথৌ তাই। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদগী কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা চংই।

ঙসি কংগ্রেসতা চংলকখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা- লিলোং কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরম্লবা মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিতি কম্মিসনগী হান্নগী চেয়ারপার্সন এম. অনৱার হুসেন,  মমাংগী মীখলদা য়াইস্কুল কেন্দ্রদা মীরেপ ওইখিবী টি.ঐচ. ব্রিন্দা অমসুং কেন্দ্র অসিমক্তগী বি. শরত শর্ম্মা য়াওরি।

হোমগার্দ (এল)ঃ     মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমসুং ৱেলফ্যার স্কিম কমিতিনা শিন্দুনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা বিষ্ণুপুর জিলাগী

হোম গার্দ বত্তাল্লিয়নগী কম্মান্দর ইন-চার্জ য়াওনা পুন্না মীওই ২৭ তা স্কিমগী শেনফমশিং য়েন্থোকখ্রে।

লুৱাংশংবমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াওনা ৱেলফ্যার কমিতিগী মীহুৎশিং অমসুং পার্সোনেল কয়ানা শরুক য়াখি। ৱেলফ্যার স্কিমগী মখাদা চহি অমদা অনিরক স্কিমগী খুদোংচাবশিং অসি পার্সোনেলশিং পীদুনা লাক্লি। মসিগী মনুং চন্না হৌজিক ফাওবদা পুন্না থবক্তগী পোত্থাখ্রবা অমদি লৈখিদ্রবা পার্সোনেল ১৬৮ দা শেলগী মতেং পীখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এসোসিয়েসনগী পসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লদুনা হায়- মণিপুরদা মথৌ তৌরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং মরী লৈনবশিংনা ফংহনবীয়ু। মালেমদা ভারত অসি গনতন্ত্র চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা লৈবাক অসি আইন ঙাকা চৎপা লৈবাক অমনি হায়বদু মশক তাকবা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হাই কোর্টনা তাখিবা রাইশিং থবক্তা ওন্থোকবা মহাকা আপীল তৌখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসকী সিভিল মিলিটরি এঙ্গেসমেন্ট ইনিসিয়েতিভকী শরুক অমা ওইনা বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি মণিপুর পুলিসকা খুৎশমরগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈতানপোকপীদা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু লমদম অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক বা, মীয়ামগা সেক্যুরিতি ফোর্সকগী মরক্তা থাজবা হেনগৎহনবা অমদি অমগা অমগা ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনদুনা নুংশি চান্নবা হেনগৎহন্নবা পাঙথোকপনি হায়রি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ভিলেজ চীফশিং, সেক্রেতরিশিং অমদি খুঙ্গং খুঙ্গংগী মরুওইবা থৌ পুবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ **132** বাই **33** কে.ভি. সব-ষ্টেসন থৌবাল খুনৌগী আর্থিং

**সিষ্টেম শেমদোক শেমজিন তৌগদবা লৈবা মরমনা 20 এম.ভি.এ. ত্রান্সফোর্মরশিং সটদাউন তৌগনি।**

**20 এম.ভি.এ. ত্রান্সফোর্মর ৱানগী ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী মথং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা অদুগা 20 এম.ভি.এ. ত্রান্সফোর্মর টুগী ওইনা থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ৮ দগী থা অসিগী ১৮ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা সব-ষ্টেসন অসিনা কোনবা থৌবাল, উসোইপোকপী, লংদুম, কশোম খুল্লেন, অন্দ্রো, য়াইরিপোক অমসুং থৌবাল লৈশাংথেমগী কঞ্জুমরশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ পীবা ঙমলোই হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমনা হায়রি।**

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমমুক--(অকোই রাইস)**

## ---সিগনেচর গোং---

পিএম ঃ ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং নিউজিলেন্দগী নুমিৎ ৬ নিগী খোঙচৎ মায় পাকা লোইশিল্লবা তুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নিউ দিল্লিদা হল্লক্লে। শ্রী মোদিনা মহাক্কী খোঙচৎকী অহৌবদা থা অসিগী ৬ তগী ৮ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াদা চৎখি। মহাকা ইন্দোনেসিয়াগী রাষ্ট্রপতিগা হিরম কয়াদা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনিনা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা কয়া য়ামা খুমাং য়াংশিল্লবগে হায়বদু খন্নমিন্নখি।

মদুগী তুংদা, শ্রী মোদিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্নদা চৎখি অমসুং মফম অদুদা মহাকা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রধান মন্ত্রি এন্থোনি অলবানিসকা ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী চহিগী ওইবা অহুমসুবা অৰাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়ামিন্নখি। মহাকা ইন্দিয়া-ওষ্ট্রেলিয়া সি.ই.ওজ ফোরমদা লৈবাক অনিগী লল্লোন ঈতিক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংদা ৱা ঙাংখি। মহাক্কী খোঙচৎকী অরোইবদা প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ১০ অমসুং ১১ দা নিউজিলেন্দগী ওকলেন্দদা লৈদুনা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লক্সোনগা তোঙান তোঙানবা লমদা ৱারী শান্নদুনা য়ান্না ৱারোল কয়ামরুম সহি তৌনখি।

শিবরাজ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি

শিবরাজ সিংহ্ চৌহান্না হায়রি- তুংগী মীরোলগী খল্লগা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থমবগীদমক উ-থাবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ব্রিক্সা মিত্র থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী চৌহান্না হায়- হৌজিক অসি মালেম পুম্বগী ওইনা অকোইবগী ফিভম হোংলকপা অমসুং শাবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগী সমস্য মায়োকরি। ইং কুমজা ১৮৮০ দগী পারগা হৌজিক ফাওবদা সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায় হেনগৎলকপগী চাং অসি সেন্তিমিতর ২০ দগী ২৩ ফাওবা ওইরক্লি। পৃথিবীগী ওইনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৫ রোম হেনগৎলক্লে। মসিনা মরম ওইরগা অকোইবগী ফিভম হোংলকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। কেন্দ্র সরকারনা রিন্যুএবল ইনর্জি পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্দুনা ফিভম অসি কন্নবা হোৎনরি। কেন্দ্র সরকারনা এক পের মা কে নাম কেম্পেন হৌদোক্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা উ থানবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মায় পাকহনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

এটেক ঃ ওমানগী সমুদ্র খোঙবানদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা কম্মর্সিয়েল ভেহিকল জি.এফ.এস গেলেক্সিদা এটেক তৌরকপগী থৌওং অদুবু ভারতনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। চেরোল অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- ভেসেল অদুদা তোংখিবা ভারত মচা ১১ গী মনুংদা ১০ দি কনবা ঙমখ্রে। অদুগা ১ দি থিবা খঙদ্রি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- ওমানদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিনা ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি অমসুং মী কনবা অমদি থিবগী থবক্তা ওমানগী ওথোরিতিবু মতেং পাংলি। ওমানগী ওথোরিতিনা মতেং পাংবগীদমক ভারতনা থাগৎপসু ফোংদোকখি।

দিবঙ্ক ঃ প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনাগী মখাদা লুপা ৩৫০ প্রোসেসিং ফি ওইনা

পীরগা লুপা লাখ ৫ গী শেন্থং ফংগনি হায়বা ৱারোল অদু অরানবনি হায়না সরকারনা শেংদোকখ্রে।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি)গী ফেক চ্যেক য়ুনিতনা ৱারোল অদু শাশিন্নবনি হায়রি। মাইক্রো য়ুনিটস দিভলপমেন্ট এন্দ রিফাইনান্স এজেন্সি (মুদ্রা)না মাইক্রো ওন্তরপ্রেন্যুরশিং নত্রগা লনাই মীওইশিংদা হকথেংননা শেল শান্দোকপা লৈতে হায়নসু পি.আই.বিনা শেংদোক্লি। মসিনা হায়- মুদ্রানা নোন-বেঙ্কিং ফাইনান্সিয়েল কম্পনিশিং, মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুসনশিং, সোসাইতিশিং, ট্রষ্টশিং সেক্সন আইথকী কম্পনিশিং অপিকপা ফাইনান্স বেঙ্কশিং অমসুং রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিং য়াওনা লাষ্ট মাইল ফাইনান্সরশিংদা মাইক্রো অমসুং পিকা করবার তৌবশিংদা মেন্যুফেকচরিং, ত্রেদিং, সার্ভিসেস অমসুং লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা থবকশিংদা শেন্থং ওইনা পীথনবগীদমক শেল পী। অসিগুম্বা শাশিন্নবা পাউশিংদগী চেকশিন্না লৈনবা অমদি অসিগুম্বা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেল ত্রান্সফর তৌদনবা অমদি বেঙ্ককী দিতেলশিং নত্রগা মশাগী অকুপ্পা ৱারোল অতোপ্পা সিয়ার তৌদনবসু পি.আই.বিনা মীয়ামদা হায়রি।

অমিত ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি গুজরাতগী অহমেদবাদতা অহমেদবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী লুপা কোতি ৪০৫ গী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনখ্রে, অদুগা খরনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা শ্রী সাহনা এক পের মা কে নাম কেম্পেনগী মখাদা পাক শন্না উ থাবগী খোঙজং অমসু হৌদোকখি। মসিদা মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র ওইরিবা গান্ধিনগরদা উ চারা কোতি ১ লাখ ২৫ হেন্না থাগনি।

কটার ঃ গল্ফকী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারবু মালেমগী ওইবা দিপ্লোমেসি,

মিদিয়া অমসুং ইনভেষ্টমেন্টকী লমদা মরুওইবা লমদম অমা ওইনা শেমগৎলম্বা হান্নগী এমির শৈখ হামদ বিন খালিফা অল থানি লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭৪ শুখ্রে। মহাকা কটারদা চহি ১৮ চুপা লৈঙাক সাসন পায়রমখি অমসুং ২০১৩ দা মহাকা  মচানুপাদা শক্তি শিন্নখি। মহাক্কী লমজিং মখাদা কটার অসি মালেমগী ওইনা ইনজির্গী পৱার হাউস অমা ওইনা শেমগৎখি।

মহাকা লৈখিদবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- শৈখ হামদ অসি মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অমনি। মহাকা কটারবু চাওখৎপগী লম্বীদা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলম্মী।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী সেমি ফাইনেল শান্নগদবা টিমশিং খঙবা ঙমলে। সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা- আরজেন্তিনাগা ইংলেন্দগা অদুগা ফ্রান্সকা স্পেনগা থেংনরগনি। ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অরোইবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা আরজেন্তিনানা সুটজরলেন্দবু পাঞ্জল ৩-১ মায়থিবা পীখি।

সেমি ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ১৫ অমদি ১৬ তা শান্নগনি। ফাইনেলনা থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি

ফুটবোল ঃ   এন.জি.এল নোংপোক লৌরেম্বমনা শিন্দুনা চথরিবা ৭ শুবা লম্বামযুম নোংথোন ফুটবোল ফেষ্টিভেলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এস.এল.এফ.সি অমসুং হত্তা গোলপতি এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস.ৱাই.দি.এ-এফ.সি ক্ষেত্রিগাউন লাক্তবদগী য়াইরিপোক য়ুনাইতেদনা ৱাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

মিষ্টর ঃ   ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন অমদি য়ুনাইতেদ জিম বিষ্ণুপুরনা খুৎশমনা

শিন্দুনা ১৬ শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্লগনি। চাংদমবা অসি তোঙান তোঙানবা কাংলুপ অহুম থোকা খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্যান্বা শঙলেনদা পাঙথোক্কনি।

অস্ফা ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবা জ্নিয়র গার্লস ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬-২৭ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী জ্নিয়র গার্লস ফুটবোল টিম শেমবগী কোচিং কম ত্রাইয়েলগীদমক প্রোভিজনেল ওইনা শান্নরোই ৫৬ কৌখৎখ্রে। প্রোভিজনেল ওইনা খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিংনা মখা তানা ত্রেনিংগীদমক লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না খঙহল্লি।

------